থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মীকপ থোক্লা থোক্লা তুল্লিবা মীয়াম

মলঙ্বদই ঙাল্লকপা, অমদি পঙলঙ্বদই শিংলকপা। অনী অসি করি খেন্নে? মান্নদবা থবক অনীসিবু করিদা কান্নগদৌরিবনো? ঈপং পঙনা, ব্রাহং ওইনা খুল্লকপসু য়াওই। অপঙবগী পাউখুমনি। অপঙবা মী হায়বসি অমঙ্বদা লৈ'গুম্বনি। করিমত্তা উদবা, করিমত্তা খঙদবা। অমঙ্বদুদা থাওমৈ অমা থানগৎলবা, অকোয়বদা করি লৈ উরকপদুগুম্না, অপঙবদু শিংহল্লবা, খঙলমদবা খঙলকই উরমদবা উরকই। অদুনা হায়নরম্বনি ঈথক থোংবা অহলশিংনা... লৌশিং মৈরা চুখৎপা...। মীবু এদ্যুকেসন পীবগা অমঙ্বদা থাওমৈ থানগৎপনা অমত্তা ওইনা লৌনরল্লিবা মরম অসি লৈবননি।

পার্লিয়ামেন্টকী ইলেক্সন ময়া নকশিল্লকপগা, ঐখোয়গী লৈবাক মীয়ামগী মচৎ-মতৌ অসিগা, ব্রাখল লীশাঙ থারুবদা নীংশিংলকপনি 'এদ্যুকেসন'। ঐখোয়সিবু এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংলবা, অমম্বা তাইবংদুদগী অঙানবদা থোরক্লবা, লৌশিং মঙাল ফংলবা মীশক হায়'দু কৌবা য়ারবরা? নো! ঐদি খল্লি- ঐখোয় ঙসিসু সুক্না মন্ন' অহিংদা নাখোক্তুনা তুমখুন হুল্লিবা ফুরুপ অদু অদু ওইরি।

ব্রাহৈ অসি কনমল্লবরা? হোয়, মীবু পঙই হায়বদা হরাওগদবা কনানো? শিংই হায়রগা হরাওরিবা মীদুসু অশেংবদি অশিংবা মী নত্তে। অদুবু, পঙই হায়রুরগা শাউরক্কদবা ওইবনা, ঐখোয় 'শিংবা ব্রাৎপা' ফুরুপ অমনি হায়বা তাবনি। এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংলবা 'অশিংবা মী' হায়বদুদি ভোটকী মতমদা পঙথদবা, মীনা হায়বদা চৎতবা, শেলনা ভোটকী মমল লেপ্পদা য়াদবা, মশাগী অচেৎপা ফিরেপ অমদই হোংদবা মীশক অমা ওইগদবনি। এদ্যুকেসন হায়বসি মালেমসিদা অওনবা, অহোংবা অমদি চাওখৎপা পুরক্ক বগী খ্বাইদই থৌবা খুৎলায় অমনি। ঙসি ঐখোয়না হিংলিবসি 'নোলেজ-ইকোনোমি'গী তাইবংদনি, এদ্যুকেসনবু খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবা হৈবা মহাক্তনি তাইবংসিদা মায় পাক্না হিংবা ঙমগদবা। 'নোলেজ ইকোনোমি'- হান্না থেংনবীখ্রবরা? থেংনবীরল্লগনি অয়াম্বনা। অদুবু, থেংনখিদ্রিবা মখোয়গীদমক নীংশিংজগে অমুক্তং। পোখোক অমা পুথোক্ক বগী ফংলিবা পান্বেদুগী মখা পোন্দবা, ইকোনোমি অমা চাওখৎনবগীদমক পোৎ অদু মগুন লৈনা অমসুং মশিং য়াম্না করম্না পুথোক্কদগে হায়বা ইনফোর্মেসন অদুবুনা হেন্না মরুওইনা লৌবা ইকোনোমি অদুবু কৌই 'নোলেজ ইকোনোমি'। অদুনা হায়নরল্লিবনি- হয়েংগী কোরৌদা খোঙ থাংজিনবা য়ানবগী শত্তাক চেনি 'এদ্যুকেসন', শত্তাক-চেদু ঙসি শেম-শাহৌবা ঙম্বা মহাক্তুদনি হয়েং য়ৌবা ঙমগদবা।



এদ্যুকেসন হায়বসি পুন্সি-পান্দম (পন্থুং) অমা নত্তে। মসিদি পন্থুং লৈতবা খোঙচৎ অমনি। এদ্যুকেসনগী খোঙচৎতি খোঙথাং খুদিং মনি-মুক্তাগী খাউজাওদা খুদি থীবা খোঙচৎ অমা ওইগদবনি, মহৈ তল্লিবা মহাকতুখক নত্তনা, নহাক্কা হিংমিন্নরিবা খুন্নাই অদুমক্কীসু। চাওখৎপগী লম্বীদা এদ্যুকেসন'না লমজিং মৈরা ওইখিবা জাতি কয়াগী ব্রারী ইতিহাস'তা থেংনরি। তরামরিশুবা চহীচাদগী তরাতরুকশুবা চহী-চা ফাওবদা য়ুরোপ'তা থোকখিবা কলচর অমদি লিটরেচরগী অরি-অনৌ য়ান্নবা, অচৌবা অওনবা অদুনা মখোয়বু মীকপ থোকহনখি। রিনাসাঁ হায়না খঙনখিবা ইতিহাসকী তাঙ্কক অদুনা য়ুরোপ'কী জাতি পুম্ন মকপু চাওখৎপগী লম্বীদা লমজিংখিবনি। মপুরোইবা কায়নরবী নুপীশিংবু সতি ওইহনবগী চৎনবী, মীশিংগী মরক্তা অচৌবা-পিশক, অব্রাং-অনেম, অমাং-অশেং খায়রম্বগী চৎনবী নোংচুপলোমদই হুল্লকখিবা এদ্যুকেসনগী অশাবা নুংশিৎতুনা মুখৎখিবনি। অমেরিকান ব্রার ওফ ইন্দিপেন্দেন্স অমদি ফ্রেঞ্চ রিভোল্যুসনগী ব্রারীশিংদুনা তম্বীরকপা মান্নবা খুন্নাই অমদি নীংতম্বা পুন্সিগী মহাও পীবা ব্রারীশিংদুনা ইথিল পীদুনা ইন্দিয়ন ফ্রীদম-ষ্ট্রগলগী তাঙ্কক লাকখিবনি। বৃটিশ'না ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতুংদসু মখোয়না শেমগৎলম্বা এদ্যুকেসন সিষ্টেমদুদি ঙসি ফাওবা ইন্দিয়নশিংবু অমঙ্বদই অঙানবদা পুথোকপদা মতেং ওইনরি।

...'লাইরিক তল্লগা কৈকান্দগে, নমিং ইবা হৈরিবদো ফরবনি, মথীবোং চরা হেন্দনবা শীং অসি খায়দোক্লু চো, য়েনসাং-নাপী থাজিল্লু'... হায়দুনা মচা ব্রারক্লম্বা মপা-মপুদুগী মচা-মশুনি ঐখোয়। চৎকদবা য়াম্না ব্রাৎলি। 'এদল্ট এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম অমদি 'নেসনল রুরেল এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম'- ঙসি ফাওবা মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙমদ্রিবা প্রোগ্রাম'মক্তনি।

গভর্ণমেন্ট'কী পোলিসী শেম্লিবা, মকোক ওইরিবা পোলিটিসিয়নশিংনা মহাক্কী প্রজা-ভোটরশিংবু 'এদ্যুকেটেদ-ভোটর' ওইহন্নিংদে। 'লায়রবা ভোটর'না মশিং হেনবনা 'শেলনা মীহুৎ খনবনি'। এদ্যুকেটেদ ভোটর' ওইরবা 'এদ্যুকেটেদ পোলিটিসিয়ন' থোরক্কনি। মদু পামদে ঙসিগী লৈঙাকপা পোলিটিসিয়ন'না। মরম অসিনা ইন্দিয়াগী অপূনবা 'গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট'কী চাদা ২.৮ খক এদ্যুকেসনগীদমক কায়থোকই। এদ্যুকেসনগীদমক অহেনবা শেনফম কায়থোক্লবা, প্রজা শিংবা হেনগৎলক্কনি-মদুনি পোলিটিসিয়নশিংগী অব্রাবা। এদ্যুকেসন সেক্তরদা গভর্ণমেন্টকী মীৎয়েং ব্রাৎপদগীনি, প্রাইভেট প্লেয়র চঙশিল্লক্তুনা এদ্যুকেসনবু শেন দানফম ওন্থোকখি। অনীমক্তা মাঙজরিবসি লায়রবা প্রজা মথন্তনি। লায়রবনা লায়ররিবা এদ্যুকেসন ব্রাৎপননি- কনানা নীংশিংবীদে।

লৌবুক্কী পোখোক হেনগৎহন্নবা অফবা মরু, অনৌবা লৌউপথাপ, সাইন্টিফিক ওইবা প্রাক্টিস অমদি মার্কেটিং। হোৎনজমল অমদি হুমাংমল- মদুনা লেপ্পী লৌমীগী লাইবক-হকশেল অমদি মচাশিংগী এদ্যুকেসন। মতম অসুক কুইবসি, অদুগুম্বা লাইবক্তু মৎপীখিবা কনানো? চহী মঙা-মঙা খুদিংগী হুগী মশক ওইরবা য়াই পুদুনা লাকখিবা মখোয়দুনা। লানখিবদি মখোয় নত্তে অমম্বদা লৈবা হৈনরুবা ঐখোয়নি। অমম্বসিদই মপান থোকসি। ঐখোয় মীকপ থোক্লসি।

লৌশিং পুক্কে

# এরোবিক দান্স, মখল খুদিংমক্কী হকচাং লেঙ-ওৎপনা ব্রেনগী ষ্ট্রকচর ফগৎহনবা মরম্না অলঝিমরসকী রিস্ক হন্থহল্লি

নুমীৎ খুদিংগী ইচম-চম্না জগোয় শাবা, ইংখোল কোয়বা অমদি খোঙকাপ খরা হঙ্গৎ-হন্দা চৎপনা ব্রেনগী ফীভম ফগৎহনবা মরম্না অলঝিমর'স দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৫০ রোম হন্থহল্লি হায়বা খঙলে।



য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া লোস এঞ্জেলিস (য়ু সী এল এ) মেদিকেল সেন্টর অমদি য়ুনিভর্সিটি ওফ পিটসবর্ঘনা পাঙথোকখিবা রিছার্চ ব্রার্ক অমগী রিপোর্টনা হায়খি, এরোবিক দান্স নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী হকচাং লেঙ-ওৎপগী থৌওংনা ব্রেনগী ষ্ট্রকচর ফগৎহনবা মরম্না অলঝিমরসকী রিস্ক হন্থহল্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই ৮৭৬ তা চহী ৩০ চুপ্পা চথখিবা কার্দিওভাস্ক্যুলর হেল্‌থ ষ্টদি অমদগী ব্রাফম অসি খঙলকপনি। ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, অয়াম্বা মতমদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌবা মীওইশিংদা ব্রেনগী ফ্রন্টেল, টেম্পোরেল পেরাইটেল লোবস অমদি হিপোকেম্পসকী ফীভম ফগৎলকই। মতৌ অসুম্না হকচাং লেঙ-ওৎপগী ব্রেন ফগৎলক্লবা মীওইশিংদা অলঝিমর'স দিমেন্সিয়াগী রিস্ক চাদা ৬০ রোম হন্থরকই। কনাগুম্বা মীওই খরা অলঝিমর'সনা মরম ওইদুনা নীংশিংবগী মতিক-ময়াই হন্থরকপা তারবসু হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌরবদি তপ্না তপ্না অমুক ফীভম ফগৎলকই হায়রি।

ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা ডা. সাইরস এ রাজিনা হায়খি, তোঙান তোঙানবা মওংদা হকচাং লেঙ-ওৎপগী থবক তৌবনা অলঝিমর'সকী রিস্ক হন্থরকপগী থৌওং খঙলকপা হন্দক্লা অহানবনি। মীওইবনা অহল ওইশিল্লক্লগা হেক হেক মায়োক্নরিবা পেং চোইবগী খুদোংচাবা অসি অনৌবা ষ্টদিগী রিপোর্টকী মতেংনা খরমখৈ ঙাকথোকপা ঙম্লগনি হায়না জর্নেল ওফ অলঝিমর'স দিজিজগী এদিটর ইন-চীফ জোর্জ পেরিনা ফোঙদোকখি।

ডা. ব্রাজিনা হায়খি, অলঝিমর'স লায়েংনবা হিদাক অমসুং ফহন্নবা পাম্বে অমত্তা লৈতে। মরম অদুনা ঙল্লিঙৈদা ঙাকথোকহৌনবা পাম্বে পুথোকপরোমদা হেন্না মীৎয়েং চঙবা মথৌ তাই। থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা য়ারিবমখৈ হকচাং লেঙ-ওৎপা থবক তৌগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ সিদনিগী ষ্টদি রিপোর্ট অমনা হায়খ্রে মদুদি থবক্তগী পোত্থারবা মীওইশিংগী হকচাং খংশোন শোন্থরকই হায়না থাজনরিবা ব্রাফম অসি অরানবনি। ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা ডা. মেলোদি দিংনা হায়খি, থবক্তগী পোত্থারবা মীওই খুদিংমক তৃম্বা-চাবগী মতম নাইবা ঙম্মী অমসুং অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈতে। নোংমগী ঙাইহাক-ঙাইহাক হকচাং লেঙ-ওৎপা থবক তৌনবগী তাঞ্জাসু ফংই।

চহী য়ামজরবসু থবক্তগী পোত্থারবা মীওইশিংনা পুন্সি মহিং শেমদোক্লবগী খুদোংচাবা তাঞ্জা ফংলে হায়না লৌগদবনি। হান্না থবক তৌরিঙৈদা ঙাইহাক্তং মতম কাইথোকপা ঙল্লমদে। অয়াম্বা মতমদা ফল্লগা থবক শুরম্মী।

জর্নেল ওফ প্রিভেন্টিব মেদিসিনদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, থবক্তগী পোত্থারবা মীওইশিংগী পুন্সি মহিং শেমদোক্লবগী মতাংদা হেল্‌থ প্রোফেসনেল অমদি পোলিসী মেক্করশিংনা অখন্নবা থৌরাং খরা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপগা লোয়ননা মীওইবগী পুন্সি শাংদোকহনবা ঙমগনি।

মীপুম খুদিংমক চহী য়ামল্লিকপগা ইরোয়ননা ক্রোনিক দিজিজ কয়ামরুম মায়োক্নরকপা য়াবগী রিস্ক ব্রাংখৎলকই। মরুওইনা থবক তৌবা নুপীশিংনা থবক্তগী পোত্থারবা মতমদা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্নরকই।

দ ফ্যুচর ওফ রিটাইয়রমেন্ট এন্দ হেল্দি বিগনিংস হায়না মিংথোনবা ষ্টদিগী শরুক অমা ওইনা মীওই ১৮,০০০ গী মওং মতৌ কুপ্না য়েংশিল্লম্মী। মদুদা নুপী চাদা ৩৩ না অহল ওইশিল্লক্লগা হিংগদবা পুন্সি মহিংগী মতাংদা নুংনাংবা পোকই হায়বা খঙলকখি। নুপাদগী নুপীনা পুন্সি হেন্না শাংবগী মওং অমা উবা ফংলবনিনা অহল ওইশিল্লক্লগা মশা ইশোন-ইশোন্না হিংগদবা পুন্সি মহিং অদুগী মতাংদা নুপী অয়াম্বনা নুংনাংবা পোকপনি।

ব্রর্ল্ড হেল্‌থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) গী রিপোর্ট মতুংইন্না চাংচৎতা নুপাদগী নুপীনা চহী মঙা হেন্না পুন্সিগনি হায়রি। অহল ওইশিল্লকপা হায়বসিমক্তবু হকচাং শোঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা ব্রাখল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থরকই। হকচাং শোঞ্জিল্লকপা মতমদা শেন্থোকসু হন্থরক্কদবা মরম্না মতমদুদা হিংগদবা পুন্সি মহিংগী মতাংদা নুপী অয়াম্বনা নুংনাংবা পোকপনি হায়রি।

ঐচ এস বি সীনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, থবক তৌবা মীওই অয়াম্বা কা-হেন্না মথৌ চিনবদগী ঙাইহাক্তং ওইরবসু মতম কাইথোক্তুনা হকচাং ফনবা থৌরাং লৌখৎপা ঙমদে।

## অসামদা বি এস এন এলগী ফোর জি সার্ভিস ফংহল্লগনি

গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারী ১৫(এজেন্সী): বি এস এন এল অসাম সার্কলগী চীফ জেনরেল মেনেজর (সী জে এম) সন্দিপ গোবিলনা ফোঙদোকখিবদা পব্লিক সেক্টর অন্দর টেক্কিং অসিনা লুপা ক্রোর ২০০ ইনভেষ্ট তৌদুনা অসামদা ফোর জি সার্ভিস ফংহল্লগনি।

লাক্লিবা মার্চ থাদগী ফোর জি সার্ভিস অসামদা ফংহনগদৌরিবা অসিগীদমক্তা ইনভেষ্ট তৌগদৌরিবা লুপা ক্রোর ২০০ অসি ইনফ্রাষ্ট্রকচর অপগ্রেদেসন অমদি ওপটিকেল ফাইবর ফুল্বগী থবকশিংসু য়াওরি।

বি এস এন এল অসাম সার্কলগী সী জি এম সন্দিপ গোবিলনা পাউমীশিংগা উনবদা মখা তানা হায়খি, বি এস এন এল অসি গভর্ণমেন্টনা ক্লোজ তৌনবা খন্নরম্লবনি। অদুম ওইনমক দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকম্যুনিকেসন্না বি এস এন এলগী লৈরিবা ষ্ট্রেঙথ অমসুং থবক থৌরম কয়া অসিবু শকখঙবা ওইনা টেলিকোম সার্ভিস প্রোভাইদর অসিদা পাক শন্না ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎতুনা রুরেল এরিয়াশিংদা ফংহল্লিবা অসিগী য়েংদুনা খোঙথাং অসি পায়খৎলকপনি।

দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকম্যুনিকেসন্না বি এস এন এল অমুক হন্না হিঙ্গৎহন্নবা প্রপোজেল অমা ফাইনেলাইজ তৌবগী প্রোসেসতা লৈরে অমদি দিজিটেল কম্যুনিকেসন্না অথুবা মতমদা ফাইনেলাইজ তৌরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোলকটা পোর্টতগা ইক্কিপমেন্ট পুম্নমক থুংলরে অমদি চৎলিবা থা অসিগী মনুংদা গুৱাহাটিদা য়ৌরক্লগনি। ৩৫০০ বি টি এসশিং ফোর জি এক্সপান্সনগী শরুক অমা ওইনা হাপচিল্লগনি। অসামদা ফোর জি সার্ভিস লোঞ্চ তৌরবা মতুংদা ত্বেনি টথ্রি টি বি নুমিৎ খুদিংগী দাটা শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি।

অসাম বি এস এন এলগী মার্কেট সেয়র অসি ব্রায়রলেস সেগমেন্টকী ওইনা চাদা ১১.০৭নি অমসুং লৈবাক অসিগী মার্কেট সেয়রনা চাদা ৯.৭১ ওইরিবনি। অসামদা মোবাইল সেগমেন্ট অসিগী কষ্টমর লাক্ষ ২৫ লৈরি। মরম অদুদা রেভিন্যু জেনরেসনগীদমক্তা ব্রানীংঙাই ওইদে। নেসনল হেলথ মিসনগী মখাদা সী য়ু জি কনেক্সন লিশীং ৩৫সু হন্দক্তা পীখ্রবনি হায়রি।

# সী এ বি রাজ্য সভাদা পুথোকখিদবদা অব্রাং নোংপোক্কী মীয়াম্না মায় পাকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫(এজেন্সী): ব্রাথোক ওইরিবা সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৬ রাজ্য সভাদা পুথোকখিদবদা অব্রাং নোংপোক্কী মীয়াম্না হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোক্লখ্রে।

বিল অসিনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদা খোঙজং কয়া চঙশিন্নরকপগা লোয়ননা মফম কয়াদা থৌদোক ব্রাথোক কয়া থোকখ্রবনি। সী এ বি অসি জুন ৩গী মতুংদগীদি লাপস ওইখ্রগনি অমদি হৌজিক লৈরিবা লোক সভাগী টর্ম অসি লোইবগা অদুমক লাপস ওইখ্রগদৌরবনিনা ১৭শুবা লোক সভা জুন ৩ ফাওবগী মনুংদা অমুক শেমগদবনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অমুক হন্না পার্লিয়ামেন্টকী মীখল পাঙথোক্ক-দৌরিবা অসিদা মায় পাকহন্দুনা বিল অসি পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি।

রাজ্য সভাদা বিল অসি নমশিন্দুনা লৈখ্রবা মতুংদা লব্রার হাওস দিজোলুসন তৌবনা মরম ওইদুনা অপ্পর হাওসতা অমুক হন্না পুথোরক্লবসু বিল অসি লোক সভাদা পুথোরকপদা অদুমক লাপস ওইখ্রগনি। ওপোজিসন্নদি রাজ্য সভাদা বিল অসিগী প্রোভিজনশিংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।



সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০০১৬ না মুসলিম নত্তবা বাংলাদেশ, পাকিষ্টান অমসুং আফঘানিষ্টান্দগী লাকপা ইমিগ্রেন টশিং ইন্দিয়ন সিটিজন অমা ওইবা য়াবগী অয়াবা পীরি। হৌখিবা জন্যুৱারী ৮দা লোক সভাগী নিংথম মীফমদা বিল অসি পাস তৌখ্রবা মতুংদা রাজ্য সভাগী এপ্রুভেল ঙাইদুনা লাকখিবনি। ওপোজিসনগী কেম্পতা লৈরিবশিংনা অখন্নবা অব্রাং নোংপোক লমদমদা বিল অসি পুথোকখিদবসু নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

মসি কাঙলূপ ফুরুপ নাইবা ইন্দিয়া অমদি সিক্যুলর ইন্দিয়াগী মরক্তা থেংনখিবা লানফমদা মায় পাকপনি। বিল অসি মায়থীরে। অদুম ওইনমক বি জে পিনা কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা অমুক হন্না থবক পায়খৎনবা হোৎনরি হায়না অসামগী লুচিংবা দেববর্ত্ত সাইকিয়ানা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পিগা চুংশিন্নবা পোলিটিকেল পার্টি অমা ওইরিবা নেসনল পিপলস পার্টিনসু অসিগুম্বা ব্রাথোক অসি নাথৈখ্রে। পার্টি অসিগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরকপদা বিল অসি পাস তৌরবদি বি জে পিনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইন্সকা লৈনরম্বা মরী অদু খোঙফম হন্দোকপা তাবনি। বিল অসি পোলিটিকেল পার্টিদগী হৌরগা সিভিল সোসাইটিশিংনা অমত্তা ওইনা পূল্লগা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা ঙসিদি অব্রাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামগী খোল্লাউ অমসুং থম্মোয়দা ফাওরকপা কয়া অদু খঙবা ঙম্লে। বিল অসিগী মায়োক্তা অপূনবা প্লেট ফোর্ম অমা মহাক্না লুচিংদুনা শেল্লগা খোঙজং চঙশিনখিবনি। পোলিটিসিয়নশিংগী পাউজেলদি মখোয়না মীয়াম্বু কাউরোইদবনি হায়না অসামি শৈশকপা জুবিন গলকনা ফোঙদোকখি।

সী এ বি রাজ্য সভাদা পুথোকপা ঙমখিদবা অসি বি জে পিগী মায়থীবা অমসুং অব্রাং নোংপোক লমদমগী মীয়াম থোইদোক হেন্দোক্না মণিপুরগী মীয়ামগী মায় পাকপনি হায়না তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিগী লুচিংবশিং খোঙজং অসিবু লুচিংখিবা মেনপেক অমসুং পামগী লুচিংবশিংনা ব্রারোল কয়া ফোঙদোক্লখ্রে।

বিল অসি মখা তানা করি ওইরকপা হায়বদু খঙদ্রিবনিনা মীয়ামগী মীফম কয়া পাঙথোক্তুনা বিল অসিগী মরমদা খন্ন-নৈনবা অমদি ব্রারেপ লৌবনচিংবা খোঙজং কয়াসু চঙশিন্নবা লেপ্পখিবগা লোয়ননা বিল অসি পাস তৌখিদ্রবসু চেকশিন্না লৈবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না অখঙ অহৈ কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি।




## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা: ডো. ব্রাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৬।০২।২০১৯ ইং, থাংজ, অয়ূক পুং ১১.০২ ফাওবা ফাইরেলগী ১১ নি পাল্লি, মতুং ১২ নি পানগনি।

মেষ: খোইরাংবা খরা লৈরসু ইচং থৌবনা শেল-থুমগী থবক্তা কান্নবা অমদি মরুপ-মপাংনা চানবীবা কান্নবা লৈগনি। লৈঙাক্কী থবক থৌদাদা মায় পাকচবা অমদি মীথোইবসু লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী-লাইবক ফবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

বৃষ: ফিংবা অমদি ব্রা য়াম্না ঙাঙবা মাঙজগনি। অফা-অপুন নংবা য়াবা থবক্তগী লৈথোকপা কান্নগনি। ইমুং-মনুংগী ব্রা লৌবনা য়াইফবা ওইগনি। পূক্লিং ফাথবা অশিংবা ওইনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খাঙবা কনবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: হরাউবা-নুংঙাইবা, ব্রাখল থোকপা অমদি লৈফম ফংবা, মীগী মতেংনা কান্নবা ফংউ হায়বা লৈ। লৌশিং হায়বদি তানবগী লোইবা নাইদে খন্না তাশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী-নুংশিবনা য়ানবা চৎপা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

কর্কট: হকচাং নুংঙাইবা ব্রাৎলি অদুনা থৌয়াম পুদবা ফগনি। মরুপ-মপাংগা ফাগি-ফাগিদগী নুংঙাইনদবা নংবা য়াবা লৈগনি অদুনা চরাংগনু। মহু চাউবা থেংননি।
লৈশা পাখংশিংগী-খনবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

সিংহ: লম্ খুদিংদা মায় পাক্কনি, শেন্দোং তানবা থবক্তা কান্নগনি, মরুপ অমদি নথক থোংবনা চানগনি । লেংদবা লন ফংবা য়াবা লৈ। থৌনা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী-নুংশিবনা থাগৎপীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কন্য: থবক পাংগনি, লাইবক থোইনা ফৈ অমদি থৌওং অনৌবনা হেন্না থবক পাংগদবা নুমিৎনি। থাজদবা মরমদগীনা হেন্না চাওখৎকনি। মরুপ চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী : নুংঙাইবা মপাউ তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

তুলা: অশা য়াম্না চাউরদি ঙসিসু মীপাইবা পোকপা য়াবা লৈগনি। ঐগী ওইবা মীশিংনা নুংশিনা শোনবী, লৌশিংনা অচৌবা থৌ লায়না পাংবা ঙমজবা নুমিৎনি। অনৌবা থবক্তি পায়গনু।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফনা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক: মীয়াম্না থাগৎপীবা অমদি মখোয়গা লোয়নরগা হেন্না নুংঙাইজবা অমদি পূক্লিং খরা লাংবা নুমিৎনি। থবক্কী মরমদা মরুপ মপাং নুংশিনদবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ব্রাখল তামিন্নদবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

ধনু: নীংবা খ্বাইদগী হেন্না থুংজবা অমদি য়েক্নবা লৈরম্নসু লায়না লাকশিনবা ঙমগনি। অদুবু ব্রা ঙাঙদবনা ফগনি, চিন শোয়রগা শেল তিংবা য়াবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি- ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মকর: য়েৎনবদা অমদি থি-হুম্বগী থবক্তা মায় পাকপা নুমিৎনি। লৌশিংনা শমু ফাবগুম থবক পাংগনি। মীয়াম লোয়নবদি কান্নবা ওইরোই, মীতোপ থাজগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ নুংঙাইতবা তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: অনৌবা মরুপ মপাংদগী হেন্না কান্নবা ফংবা নুমিৎনি। ব্রানোম থৌনোম কান্নবা অমদি নশাগী ব্রাখল্লোন্না অরুবা ব্রারেপতি লৌগনু, খোইরাংবা ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী-মথা শাগনি-ইংথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা।

মীন: অঙম তাল্লদি চাদিং হেনবা নত্রগা কায়নবা শোয়দ্রে। ফিংলগনা নরল মাঙহঞ্জবা লৈগনি অমদি হোয়া ফরগনা মরুপ-মপাং নুংঙাইনরোই। তুমিন্না লৈবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী-তুংগী খল্লগা ব্রা ঙাঙউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।